# জয় রাম থাকুরবু হিমাচল প্রদেশকী ১৪শুবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে



শিল্লা, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
মিনিষ্টর ১১গা লোয়ননা জয় রাম থাকুরবু ঙসি হিমাচল প্রদেশকী ১৪শুবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

হিষ্টোরিক ওইরবা রিজ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা গভর্নর অচারিয়া দেবব্রতনা মশাগী চহী ৫২ শুরবা থাকুরবু থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

থাকুরগা লোয়ননা ৱাশক লৌখিবা মিনিষ্টর ১১গী মনুংদা পূন্সিগী অহানবা ওইরকপা মীওই তরুক য়াওখি। থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিত শাহ, পার্টিগী লূচিংবা এল কে অদবানি অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়ামরুম য়াওখি।

মিনিষ্টর ১২ পুন্না ৱাশক লৌখিবা মরম্না ষ্টেট অসিদা মখা তানা অতোপ্পা মিনিষ্টর হাপচিনবগী ৱাফম লৈররোই। অদুম ওইনমক এম এল এ অনীবু স্পিকর অমদি দেপ্যুটি স্পিকর ওইনা খনগদবা ৱাৎলি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না রজিব বিন্দালবু হিমাচল প্রদেশ লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর ওইনা খল্লবা য়াই হায়রি।

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর জে পি নদা অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর প্রেম কুমার ধুমালগী পোক্নফম দিষ্ট্রিক্ট ওইরিবা বিলাস্পুর অমসুং হমিরপুরগী এম এল এ অমত্তা মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌবদা য়াওখিদ্রে। হন্দক পাঙথোকখিবা হিমাচল প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা বি জে পিনা কংগ্রা অমসুং মন্দি দিষ্ট্রিক্টতা পুন্না সিট ২০ ফংবা ঙমখি।

সেদ্যুল্ড কাষ্টকী রিজার্ভ সিট ১৭কী মনুংদনা সিট ১৩, সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী ওইনা রিজার্ভ তৌখিবা সিট অহুমগী মনুংদা সিট অনী ফংখি। রোমেশ ধৱালা অমসুং নরিন্দর ব্রগাতা য়াওনা পার্টিগী সিনিয়র লীদর অমসুং হান্নগী মিনিষ্টর কয়ামরুম অনৌবা গভর্ণমেন্টতা মিনিষ্টরগী ফম পীখিদ্রে।

ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, অনৌবা বি জে পি লৈঙাক্লা মীচম মীয়ামগীদমক চোকথবা নাইদনা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। ৱাশক লৌবগী থৌরম য়াওরল্লগা প্রাইম মিনিষ্টরনা এয়র পোর্ট তম্না হনখিবদা লম্বী নাকলদা তিল্লম্বা মীয়াম্না মোদিগী মমিং পন্দুনা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

টার্ম মঙারক থংনা থংননা এম এল এ ওইরক্লবা জয় রাম থাকুরবু হিমাচল প্রদেশকী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা খনখিবনি। শিল্লাদা পাঙথোকখিবা বি জে পি এম এল এশিংগী মীফম অমনা জয় রাম থাকুরবু লেজিসলেচর পার্টিগী লূচিংবা খন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি।

# সেন্টরনা ঙমখৈ শেমগৎনবগীদমক ষ্টেট ৯দা লুপা ক্রোর ১৬৭ পীথখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনল বোর্দর মনাক নক্লা লৈবা ষ্টেট মাপনগী ঙমখৈদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎনবগীদমক হোম মিনিষ্ট্রিনা লুপা ক্রোর ১৬৭ কায়থখ্রে।

ওফিসল অমনা হায়খি, অনৌবা থৌরাং অসিনা কান্নবা ফংহনগদৌরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা রাজস্থান অমদি পঞ্জাব য়াওরি। ষ্টেট অনীমক পাকিষ্টানগা লোন্নবা ইন্টরনেসনল বোর্দর মনাক নক্লা লৈরি। বাংলাদেশকা লোন্নরিবা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং অসামদসু সেন্টরগী শেন্থং অসিনা শেমগৎ শাগৎপগী থৌরাং কয়া লৌখৎকদৌরি।

হোম মিনিষ্ট্রিনা হন্দক্তা মেঘালয়া, পঞ্জাব, রাজস্থান, বিহার, সিক্কিম, ত্রিপুরা, অসাম, হিমাচল প্রদেশ অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলদা বোর্দর এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (বি এ দি পি)গী মখাদা লুপা ক্রোর ১৬৭ কায়থখ্রে হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট ১৭কী ইন্টরনেসনল বোর্দর মনাক নক্লা লৈবা খুঙ্গং পূম্নমক বি এ দি পিগী মখাদা মপুং ফানা শেমগৎ শাগৎলগনি হায়না ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক ঙমখৈ ঙাক্লিবা লান্মীশিংনা মাঙজৌননা মশক খঙদোক্লবা খুঙ্গংশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লগা খোঙজেল য়াঙনা শেমগৎ শাগৎপগী থৌরাং লৌখৎকনি হায়রি।

বি এ দি পিগী মখাদা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাংশিংগী মনুংদা ক্লিনলিনেস মিসন, স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম, স্পোর্টস এক্টিভিটিজ, রুরেল টুরিজম, বোর্দর টুরিজম অমসুং হেরিটেজ সাইট ঙাক শেনবা য়াওরি।

চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা হেলিপেদ শেমগৎপা, লৌমীশিংদা স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং পীবা অমদি অতৈ থৌরাং কয়াসু লৌখৎকদৌরি।

রাজস্থান অমদি পঞ্জাবনা পাকিষ্টানগা থংননা লৈরি। অমরোমদা, ৱেষ্ট বেঙ্গল, অসাম, ত্রিপুরা অমদি মেঘালয়ানা বংলাদেশকা য়ুমথংননা লৈরি। বিহারনা নেপালগা, সিক্কিমনা নেপাল অমদি ভুটানগা লোয়ননা হিমাচল প্রদেশনা চাইনাগা লোন্ননা লৈরি।

মমাঙদা হোম মিনিষ্ট্রিনা প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা ইন্টরনেসনল বোর্দর মনাক নক্লা লৈবা ষ্টেট তরুক্তা লুপা ১৭৪ কায়থবা লৈখ্রবনি।

চৈরকসিদা, ঙমখৈ মনাক নক্লা লৈবা উমংগী শরুক্তা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট পায়খৎনবগী মতাংদা য়ুনিয়ন ইনভাইরোন-মেন্ট মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীখ্রে। বোর্দ এরিয়াদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

# দিল্লি তম্না চেল্লক্কদবা ট্রেন ১৮ কেন্সেল তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
অৱাং থংবা ইন্দিয়াদা অমম্বা লৈচিল-নোংফাই থাংবদগী ট্রেন সার্বিসতা চাউনা অকায়বা থোকহনখ্রে।

লৈচিল থংবদগী ময়েক শেংনা উবা ঙমদবা মরম্না ট্রেন ১৮ কেন্সেল তৌখি অমসুং অতোপ্পা ট্রেন ৩০না কা হেন্না মতম থেংথনা চেনখি। ইন্দিয়ন রেলৱেজগী রিসার্চ দিজাইন এন্দ ষ্টেন্দর্দ ওর্গনাইজেসন (আর দি এস ও)না এল ঈ দি ফোগ লাইট শীজিন্নরবসু মহৌশাগী মতৌগুম ট্রেন সার্বিস তৌবা ঙমখিদে।

নিংথম থাগী লৈচিল নোংফাই থাংবনা মরম ওইরগা অৱাংথংবা ইন্দিয়াগী ট্রেন সার্বিসতা মখা তানা অপনবা পীরি।

দিল্লি তম্মনা চেনগদবা ট্রেন ৩০ মতম থেংথহনখিবগা লোয়ননা ট্রেন ১০ কেন্সেল তৌবা তাখি। অতোপ্পা ট্রেন তরুক্লা নৌনা অমুক লমথাবগী থৌরম লেপখি। নিংথম থা চঙলকপগা অৱাং থংবা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লৈচিল নোংফাই থাংবা হৌরক্তুনা ইন্দিয়ন রেলৱেজ মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহন্দ্রে।

চহী খূদিংগী নিংথম থা হেক চঙলকপা ট্রেন সার্বিসতা অপনবা পীবগী থৌদোক থোক্তুনা লাক্লি। লৈচিল থাংবদগী ময়েক শেংনা উবা ঙমদবা মরম্না অৱাং থংবা ইন্দিয়া ট্রেন পূম্নমক পুং কয়ামরুম থেংথহনখি। ট্রেন অয়াম্বা খুদোংথিবা মায়োক্লবা য়াই হায়না চিংনবদগী পুংদা কিলোমিটর ১৫গী চাংদা য়াম্না তপ্না থৌবা মরম্না লমথুংফম য়ৌবদা পুং ২২ রোম থেংথহনখিবনি।

খুদোংচাদবা কয়া অসি কোকহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়ন রেলৱেজনা অনৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা হোৎনরি। মরুওইনা ট্রেন প্রোটেক্সন ৱার্নিং সিষ্টেম, ট্রেন কোলিজন অভোইদেন্স সিষ্টেম অমদি টেরেন ইমেজিং ফোর দীজল দ্রাইভর সিষ্টেম শীজিন্নরি।

মমাঙদসু দিল্লিদা কা হেন্না মম্বা মওংদা লৈচিল নোংফাই থাংবদগী ট্রেন কয়া কেন্সেল তৌখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা কয়া অমনা মতম থেংথহনখি। উবা ঙম্বগী চাং ৱাৎপা মরম্না ট্রেন মরিসু নৌনা মতম লেপখিবনি।

ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি)গী রিপোর্ট মতুং ইন্না দিল্লিদা খ্বাইদগী ঈংবা অমসুং শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ১০দগীনা ২৫ ফাওবা ওইরবা য়াই হায়রি।

# পাকিষ্টাননা কুলভুষণ যাদবকী ইমুং-মনুংদা উৎলকখিবা থৌওং কোংগ্রেসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
মঙ্গলসুত্রা, খুজি, খোঙউপ অমদি বিন্দি লৌথোকহনখিবগা লোয়ননা মফি-মরোল হোংদোকহন্দুনা কুলভুষণ যাদবকী মমা অমদি লোয়নবীদা পাকিষ্টানি ওথোরিটিনা ঈকায় পীখিবগী থৌওংবু কোংগ্রেসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেসকী স্পোক্সপার্সন গৌরব গোগোইনা হায়খি, পাকিষ্টানি ওথোরি-টিশিংনা চথুরকখিবা থৌওং অদু য়ানিংদে। হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পাকিষ্টানগী মায়োক্তা লৌখৎকদবা থৌরাং মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি। নুপীবু অৱাংবা থাক্তা ঈকায় খুম্নরিবা ইনি দয়াগী নুপী অনীদা পাকিষ্টান্না চথুখিবা থৌওং অদু তরাইনা লৌফম থোক্তে।

শিবগী চৈরাক পীনবা ৱায়েল লাউথোকখ্রবা কুলভুষণ যাদবকী মতাংদা গোগোইনা হায়খি, শেমজিন-শাজিনবা মরাল কয়া পীশিন্দুনা শিবগী মতম ঙাইহল্লগা জেলদা থল্লিবা যাদবপু খুদক্তা থাদোরক্কদবনি। লান শোক্লরিঙৈদা ফাখিবা নৎত্রবসু যাদবপু মিলিটরি কোর্ট অমদা ৱায়েল চথুখিবগী থৌওং অদু মালেমগী মীয়ামদা য়াফম থোক্তে। হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ময়েক শেংবা ফিরেপ অমা লৌফম থোকই।

পাকিষ্টানগী জেলদা লৈরিবা কম্মান্দর কুলভুষর যাদবপু শিবগী চৈরাক পীনবা ৱায়েল লাউথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা তমথিনা ওৎ-নৈখিবগী খুদম ফংবা লৈখ্রবনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা যাদবকী অপোকপী মমা অবন্তি অমসুং লোয়নবী চেন্তানকুলনা মিনিট ৪০ রোম উনদুনা ৱারী শানখিবদা যাদবকী হকচাংদা ফু-চৈখিবগী খুদম কয়ামরুম উবা ফংখিবনি।

গ্লাসনা খাজিল্লবা কা অমদা যাদবপু ফমহল্লগা মপান্দগী ৱারী শানহনখিবনি। যাদবকী হকচাং শোকচিল্লম্বা অমসুং হকচাংগী অরুম্বা হন্থবগা লোয়ননা মকোক অমদি মঙকশমদা ফুখিবগী দাগফম তাবা থেংনখি। যাদবকী ইমুং-মনুংনা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজগা উনদুনা যাদবকী মফমদা পাকিষ্টান্না চথুখিবা থৌওংশিংগী মতাংদা ৱাকৎখিবনি।

সুস্মা স্বরাজগী ময়ুমদা পাঙথোকখিবা ৱারী শানবগী থৌরম অদুদ দেপ্যুটি হায় কম্মিস্নার জে পি সিংহ, ফোরেন সেক্রেটরি এস জয়শঙ্কর অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী স্পোক্সপার্সন রবিশ কুমারসু শরুক য়াখি।

হৌখিবা এপ্রিল থাদা টেররিজম অমসুং লোন্না পাউ লৌরম্বগী মরালদা পাকিষ্টানগী মিলিটরি কোর্ট অমনা যাদবপু শিবগী চৈরাক পীনবা ৱায়েল পীখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ানা ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিস (আই সী জে)দা ৱাকৎখি। পাকিষ্টান্না যাদবপু মমাঙ চহীগী মার্চ থাদা বেলোচিষ্টান প্রোভিন্সতগী ফাবনি হায়না ক্লেম তৌখি। ইন্দিয়ানদি থবক্তগী পোথারবা যাদবপু ইরানদগী ফাখিবনি হায়না ক্লেম তৌখি।

কুলভুষণ যাদবপু মিলিটরি কোর্ট অমনা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রবা মতুংদা ইনি দয়ানা পাকিষ্টানগী দেপ্যুটি হায় কম্মিস্নার কৌদুনা যাদব থাদোকহন্নবা ৱাফম অমুক্কা হন্না পুখৎপা লৈখ্রবনি।

# সাইক্লোন ওকখিদা ঙামী ৬০০ থিবা খঙখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
খা থংবা ইন্দিয়াদা সাইক্লোন ওকখিনা মীওই ২৫০ শিহনখ্রবা মতুংদা হৌজিক ফাওবা সমুদ্র মপান নক্লা লৈবা ঙামী ৬৬০ থিবা খঙদ্রি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নবেম্বর ২৯দা বে ওফ বেঙ্গল লান্না শ্রীলঙ্কা মনাক্তগী হৌরকখিবা সাইক্লোন ওকখিনা খা থংবা ইন্দিয়াগী মফম খরদা কা হেন্না অমাঙ-অতা থোকহনখি। পুংদা কিলোমিটর ১৩০ (মাইল ৮০) য়াঙনা শীৎপা নোংলৈ-নুংশিৎনা উ পাম্বী কয়া মরা ফুক্তুনা তুহনখিবগা লোয়ননা য়ুম-কৈ লীশিং কয়ামরুম অমাঙ-অতা থোকহনখি।

দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মালা সিতারামননা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবা ইন্দিয়াগী ঙামী ৬৬০ থিবা খঙদ্রি। থিবা খঙখিদ্রবা ঙামীশিংগী মনুংদা টামিল নাদুগী ৪০০ অমসুং কেরালাগী ২৬০নি।

দিসেম্বর ২দা সাইক্লোন ওকখি য়ৌরকখ্রবা মতুংদা মীওই কয়া থিবা খঙখিদ্রবগে হায়বা ষ্টেট অনীনা চপ চানা রিপোর্ট পীরকপা লৈত্রি। সাইক্লোন য়ৌরক্ত্রিঙৈদা ঙামী কয়া হি তোংদুনা সমুদ্রদা ঙা ফাখি। হৌজিক ফাওবদা কেরলাগী মীওই ৬৩ অমসুং টামিল নাদুদনা মীওই ১৪ সাইক্লোন্না মরম ওইরগা শিখ্রে হায়না কনফর্ম তৌবা লৈখ্রবনি।

সাইক্লোন ওকখিগী মতুং তারকপদা কন্যকুমারী দিষ্ট্রিক্টতা হৌজিকসু হি ৬৬ অমদি ঙামী ৭১৩ থিবা খঙদ্রি হায়না মকোক থোংবা দিষ্ট্রিক্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। খ্বাইদগী ইকোন কোন্না ফংবা রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবা হি ৬৬ থিবা ফংদ্রি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ঙামী ৭১৩সু খোঙ্গুল লীবা ফংদ্রি। মহারাষ্ট্র, কর্নাটাকা, লক্ষদ্বিপ, কেরলা অমসুং গুজরাটতা পন্দুনা লৈরিবা ঙামী ২,৪৭৮ টামিল নাদুনা পুরক্লবা হোৎনরি হায়না কন্যকুমারীগী দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর সাজন সিংহ চৌৱননা ফোঙদোকখি।

মোনিটরিং কম্মিটিগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না সাইক্লোন ওকখিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লুপা ক্রোর ১৭০ রোমগী লন-থুম মাঙ-তাকহল্লম্লে হায়রি। সমুদ্র মপান নক্লা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী য়ুম ৪,৪৯৫ মাঙ-তাকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা লুপা লাখ ৯৩ তেংবাঙ ওইনা পীখ্রে। অমাঙ-অতা থোকখ্রবা য়ুম ৫৩৭তা তেংবাঙগী শেল পীগদবা ৱাৎলি।

# এ আই এম পি এল বি : ট্রিপল টলাক্কী লো চৎনহন্দ্রিঙৈদা মরী লৈনবশিংগা তানরমগদবনি



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
ট্রিপল টলাক্কী বিল খুদক্তা হন্দোক্কদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা তকশিল্লদুনা ওল ইন্দিয়া মুস্লিম পার্সনেল লো বোর্দ (এ আই এম পি এল বি)না হায়খ্রে মদুদি, গভর্ণমেন্টনা করিগুম্বা হীরম অসিগা মরী লৈনবা লো অমা চৎনহনবা তঙাইফদে হায়না লৌবা তারবদি এ আই এম পি এল বি য়াওনা মরী লৈনবা পূম্নমক্কা তানরমগদবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা থাখিবা চেরোল অমদা বোর্দনা হায়খি, খুদক্তা মুস্লিম ৱিমন (প্রোটেক্সন ওফ রইটস ওন মেরিয়স) বিল, ২০১৭ ৱিথদ্রো তৌগদবনি। করিগুম্বা বিল অসি পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকপা তারবসু মুস্লিম নুপীগী ওর্গনাইজে-সনশিং অমদি এ আই এম পি এল বিগা হান্না তানবা মথৌ তাই।

দোমেষ্টিক ভাইয়লেন্স এক্ট, গার্জিয়নশিপ এন্দ ৱার্দস এক্ট অমদি ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোর্ট (সী আর পি সী)নচিংবা মরী লৈনবা লিগেল প্রোভিজন অমসুং লেজিসলেসন কয়া চৎনদুনা লৈরিবা মরম্না মুস্লিম খক্তগী ওইবা লো অমা নৌনা অমুক চৎনহনবা মথৌ তাদে হায়নসু বোর্দনা ফোঙদোকখি।

টলাক অহুম্লক হায়রগা খুদক্তা নুপা-নুপী খাইনবগী থৌওং ক্রিমিনেল ওফেন্স ওইহন্নবগী বিল অমা লোক সভাদা পুখৎলগনি। য়ুনিয়ন কেবীনেটনা অয়াবা পীখ্রবা বিল অসি শগোলশেন নুমিত্তা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎনবা থৌরাং তৌরিবনি।

নুপানা অহুম্লক টলাক হায়রগা খুদক্তা মশামক্কী লোয়নবী খাইনবা য়াহনবগী থৌওং অসি কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈ হায়না ওগষ্ট থাদা সুপ্রিম কোর্টনা ৱায়েল পীবা লৈখ্রবনি।

লোক সভাগী বিজিনেস লিষ্টকী মতুং ইন্না দিসেম্বর ২৮দা বিল অসি লো মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা পার্লিয়ামেন্টকী লাৱর হাউসতা পুখৎনবা থৌরাং তৌরিবনি।

হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা লূচিংবা ইন্টর মিনিষ্ট্রিয়েল গ্রুপ অমনা শেমখিবা বিল অসিগী মতুং ইন্না অহুম্লক টলাক হায়রগা খুদক্তা নুপা-নুপী খাইনবগী থৌওং ইলিগেল ওইহনবগা লোয়ননা মপুরোইবা অদু চহী ৩ ফাওবা জেলদা থম্বা য়াবগী ৱাফম য়াওরি। মমাঙ চয়োলদা বিল অসি হাউসতা পুখৎনবা থৌরাং তৌখি। অদুবু খুদোংচাদবা খরদগী মতম খরা য়ৈথোক্লগা শগোলশেন নুমিত্তা পুখৎনবা থৌরাং তৌখিবনি হায়না পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টর অনন্ত কুমারনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

# রাজ্য সভাদা চরাংনবা থোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অনন্ত কুমার হেগ্রেনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন শেমদোকপগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগা মরী লৈননা কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা খোল্লাউ কয়া লাউরকপদগী রাজ্য সভাদা চরাংনবা থোকখ্রে।

কোংগ্রেস লূচিংব ঘুলাম নবি অজাদনা হেগ্রেবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, কন্সটিট্যুসন্দা মপুং ফানা থাজবা থমদবা মীওই অমা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইহল্লোইদবনি।

পনবা য়াবদি, কর্নাটাকাগী কোপাল দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা হেগ্রেনা সিক্যুলর হায়বা ৱাহৈ য়াওবা কন্সটিট্যুসন শেমদোক্লবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

হেগ্রেনা অতোপ্পা হিন্দু নত্তবা মীওইশিংগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লবগী ৱাথোক ওইনখিবা হন্দক্লা অহানবা নত্তে। মমাঙ চহীদসু ইস্লামগী মায়োক্তা খোইশাওনবা পোকহনবা য়াবা ৱাফম ফোঙদোক্ল-বগীদমক মহাকপু বুক তৌবা লৈখ্রবনি।

হন্দক্তসু প্রাইম মিনিষ্টরনা মনমোহন সিংহগী মায়োক্তা ফোঙদোখিবা ৱাফম অমবু ওপোজিসন্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

রাজ্য সভাদসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মনমোহন সিংহগী মায়োক্তা ফোঙদোকখিবা ৱাফমগা মরী লৈননা রুলিং অমসুং ওপোজিসন মেম্বরশিং অওক-অথোং তৌদুনা লাউনরকপদগী মীফম য়ৈথোকখি। ৱাহং-পাউখুমগীদমক অমুক হন্না মীফম হৌরকপা মতমদা কোংগ্রেস লূচিংবা অনন্দ শর্মানা প্রাইম মিনিষ্টরগী মফমদা শেংদোক ৱারোল পীনবা তকশিনখি।

# ‘ইন্দিয়ন আর্মি ঙমখৈ লানশিল্লকখিদে’



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ানা সিজ ফায়র থুগাইদুনা ঙমখৈদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবগী মতাংদা পাকিষ্টান্না ইন্দিয়াগী এক্টিং দেপ্যুটি হায় কম্মিস্নার কৌরগা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) লানশিল্লগা পাকিষ্টানগী লান্মী হাৎখি হায়বা ইন্দিয়াগী ৱাফম অদুবুসু অরানবনি হায়না ইস্লামবাদনা ফোঙদোকখি।

পাকিষ্টানি আর্ম ফোর্সকী ওফিসল স্পোক্সপার্সনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, ইন্দিয়াগী লান্মী অমত্তা এল ও সী লানশিল্লকখিবা লৈতে। ইন্দিয়া মচাশিংবু হরাওবা পোকহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়া মিদিয়ানা অরানবা রিপোর্টশিং ফোঙখিবনি।

অমরোমদা, পাকিষ্টানি ফোরেন ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, এল ও সী মনাক নক্লা লৈবা রাখচিক্রি সেক্টরদা ইন্দিয়ন আর্মিনা সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি। পাকিষ্টানি আর্মিনসু খুৎ হন্দুনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপ্পদগী ইন্দিয়ন আর্মি পূম্নমক ঙমখৈদগী লাপ্পা চেনখি।

ইন্দিয়ন আর্মিগী কম্মান্দোশিং এল ও সী লানশিন্দুনা পাকিষ্টানগী লান্মী অহুম হাৎলে হায়না ক্লেম তৌরকখ্রবা মতুংদা ইস্লামবাদনা ইন্দিয়াগী এক্টিং দেপ্যুটি হায় কম্মিস্নার কৌখৎলগা সিজ ফায়র থুগাইবগী মতাংদা ৱাকৎখিবনি।

থাংজ নুমিত্তা পাকিষ্টান্না সিজ ফায়র থুগাইরগা ইন্দিয়াগী লান্মী মরি হাৎখিবগী লমন খুম্বা ওইনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইন্দিয়ন আর্মিনা এল ও সী) লানশিল্লগা পাকিষ্টানগী লান্মী অহুম হাৎলে হায়না ইন্দিয়ানা ক্লেম তৌবা লৈখ্রবনি।

থৌদোক অদুদা পাকিষ্টানগী লান্মী অমসু অশোক-অপন নংখি। অদুম ওইনমক হীরম অসিগী মতাংদা ওফিসল ওইবা রিপোর্ট ফংবা লৈত্রি হায়না ইন্টলিজেন্সকী সোর্চ পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোকখি।

দিসেম্বর ২৩দা পাকিষ্টান আর্মিনা এল ও সী মনাক্তা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী রাজোরি দিষ্ট্রিক্টতা সিজ ফায়র থুগাইদুনা মেজর অমা য়াওনা ইন্দিয়াগী লান্মী মরি হাৎখিবনি। লৈখিদ্রবা ওফিসার অদু ১২০ শুবা ইনফেন্ট্রি ব্রিগেদকী মেজর মোহার্কার প্রফুলা অম্বাদাস (৩২)নি। মহাক মহারাষ্ট্রগী বেদ্রা দিষ্ট্রিক্টতগীনি।

লৈখিদ্রবা অতৈ লান্মীশিং অদুদি মশাগী চহী ৩৪ শুরবা অন্রিতসরদগী লান্স নাইক গুরমেল সিংহ অমসুং হরিয়ানাগী কর্নালদগী পর্গত সিংহ (৩০) কৌবা সিফোই অমনি।



HL-P/4865/28 Dec-28Feb. (Alt).



HL-B/4250/30/11-26/1(alt.)